## ষ্টেট পোলোগী ফাইনেল ঙসি শান্নরগনি



ইম্ফাল,জানুৱারী ২৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৫দগী হৌদুনা চথরকপা ৩৮শুবা মেন্স ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩গী ফাইনেল মেটচ নোংমাইজিং নুমিৎতা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈ অমদি মেজর করন পোলো ক্লব অনীনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ২৩না শরুক য়াদুনা চথরকখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ শৈখ নুরুল হাসননা অথোইবা মীথুংলেন, ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডা. কোন্সম শরতচন্দ্রনা থৌরম মপু অমদি টুরিজমগী দিরেক্টর দব্লিয়ু ইবোহলনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইদুনা শরুক য়ারগনি।

### ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল

## সমুরৌ য়ুনাইটেদ অমদি এল ৱাই এস এস য়ু ক্বার্টর চঙখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ২৮(ঐচএনএস): হাওরৈবী নোরদর্ন ষ্টার ক্লব অমদি হাওরৈবী অপূনবা এফ সী অনীনা খুৎশম্নবা শীন্দুনা হাওরৈবী কাংজৈবুংদা চথরিবা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা সমুরৌ য়ুনাইটেদ অমদি এল ৱাই এস এস য়ু লিলোং চজিং ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়নননা টিম ৮না ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

ৱাই দি সী এফ সী ক্যামগৈ অমদি ৱাই দব্লিয়ু এ ৱাঙ্গোই অনীনা থা অসিগী ৩০গী নুংথিল পুং ১২.৩০দা অহানবা ক্বার্টরদা থেংনরগনি। নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ২.৩০দা সনা এফ সী থৌবাল অমদি ওল ষ্টার ক্যামগৈ অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা শান্নরগনি।

তাম এফ সী সেক্তা অমদি ৱর্ল্ড প্রো এফ সী অনীনা থা অসিগী ৩১গী নুংথিল পুং ১২.৩০দা অহুমশুবা ক্বার্টরদা শান্নরগনি অদুগা নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ২.৩০দা এল ৱাই এস এস য়ু চজিং অমদি সমুরৌ য়ুনাইটেদ অরোইবা ক্বার্টরদা লম্বা তৌনরগনি।



হাওরৈবী কাংজৈবুংদা ঙসি শান্নখিবা ৭শুবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এল ৱাই এস এস য়ু চজিংনা ৱাই এস সী নাওরেম চাপ্রৌবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লিলোং চজিংগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু এন কবিরাজনা অহানবা হাফকী শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা মায় পাকখিবা লিলোং চজিং টিমগী দব্লিয়ু অজেট শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা অদুগা চজিং টিমগী প্রদিপ অমদি নাওরেম চাপ্রৌগী মঙালদিয়া শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অরোইবা প্রি ক্বার্টর মেটচতা সমুরৌ য়ুনাইটেদনা ৱাঙ্গোই এফ সীবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

সী ঐচ অকাশনা শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা সমুরৌ য়ুনাইটেদকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এন মিলননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা সমুরৌগী অনীশুবা গোল চনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা ঐচ রাকেশনা শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনটতা সমুরৌ টিমগী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা সমুরৌগী কিষন নাওরেমবু য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

## ওস্কার অমদি আর আর সী সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জানুৱারী২৮(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনননা শীন্দুনা চথরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা শান্নখিবা মেটচশিংদা ওস্কার পাওনা বজার অমদি আর আর সী সী চুড়াচান্দপুর মায় পাকখ্রে।

মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ওস্কার পাওনা বজারনা কে সী দি ও কোংপালবু ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

কোংপাল টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩০.১দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ১৪৪ লৌবা ঙমখি।

কোংপালগী বেটসমেন জিউর রাহমননা বোল ৫৪দা রন ৫২, হাফিস ইমরাননা বোল ২২দা রন ১৫, প্রকাশ নান্দেবমনা বোল ২৫দা রন ১৬ অমদি রোজবেল্ট সাপমনা বোল ২৯দা রন ১২ লৌখি। ইন্নিংস অদুদা বোলিং তৌখিবা ওস্কারগী বোলর ব্রুকর কাংজম অমদি সোরোখাইবম সেমসননা ওভর ৮/৮ লংবদা ৱিকেট ৩/৩ অদুগা জেনিথ নোংমাইথেমনা ওভর ৮ অমদি নোংমাইথেম বিজেন্দ্রোনা ওভর ৬.১ লংবদা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ওস্কার পাওনা বজারনা ওভর ২৫.৩দা ৱিকেট ৬ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা কে সী দি ওবু ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখি।

ওস্কারগী বেটসমেন খুসোনা আউট ওইদনা বোল ৪৯দা রন ৩৫, সঞ্জিৎ থৌনাওজমনা বোল ২৪দা রন ২৫, সোরোখাইবম সেমসননা বোল ২৫দা রন ১৪ অদুগা টি ঐচ সন্তোশ অমদি পূন্সিবা লাইশ্রমনা বোল ১৯ অমদি ১৬তা চপ মান্নবা রন ১২/১২ লৌবা ঙমখি।

লোইশিল্লকপদা ওস্কারগী ওল রাউন্দর সোরোখাইবম সেমসননা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আর আর সী সী চুড়াচান্দপুরনা ৱাই এ সী য়াইস্কুলবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাই এ সীনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২৯.৩দা ওল আউট ওইদুনা রন ৯১ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা আর আর সী সীনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ১৫.৩দা ৱিকেট ৪ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা য়াইস্কুল টিমবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা আর আর সী সীগী বেটসমেন হাওজালেন কিপগেননা বোল ৩৩দা রন ৪২, লৌরিয়াম ইলাননা বোল ৩৮দা রন ৩৪ অমদি ৱাই এ সীগী জোন ওইনামনা বোল ৩৩দা রন ২৬ লৌদুনা বেটসমেনগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি। চুড়াচান্দপুরগী থাংখোপাওনা ওভর ৪ অমদি লৌরিয়াম ইলাননা ওভর ৮দা ৱিকেট ৩/৩ লৌদুনা বোলর্সকী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি।

লোইশিল্লকপদা আর আর সী সীগী লৌরিয়াম ইলাননা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

### নিংতম কাং টুর্নামেন্ট

## রাধাগোবিন্দ অমদি মহাপ্রভু কাংখূৎ মায় পাকখ্রে



বাংলাদেশ,জানুৱারী২৮(ঐচএনএস): নিংতম কাং টুর্নামেন্ট পরিচল কম্মিটি বাংলাদেশনা শীন্দুনা বাংলাদেশকী মৌলুবী বজারগী কমলগঞ্জকী নায়াপটনদা থা অসিগী ৬তগী হৌদুনা চথরিবা নিংতম কাং টুর্নামেন্ট ২০২৩গী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী মেটচ অনীদা রাধাগোবিন্দ কাংখূৎ মঙ্গোলপুর অমদি মহাপ্রভু কাংখূৎ হাটয়ারখোলা মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অহানবা মেটচতা রাধাগোবিন্দ কাংখূৎনা মহাদেব কাংখূৎ-এ হামোম খুনবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা রাধাগোবিন্দ কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌনবা খনখি অদুগা মহাদেব কাংখূৎনা মায়কৈ খনখি। অপীবা মতমগী শান্নবদা রাধাগোবিন্দ কাংখূৎনা মহাদেব কাংখূৎ-এবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা রাধাকেশ্বর অমদি সুর্জিৎ নাওরেমনা রেফরি ওইনা শরুক য়াখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অনীশুবা মেটচতা মহাপ্রভু কাংখূৎনা মহাদেব কাংখূৎ-বিবু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ফেব্রুৱারী ৪দা নুপীগী মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবদা মহাপ্রভু কাংখূৎ অমদি মহাদেব কাংখূৎ-এ শান্নরগনি অদুগা অনীশুবদা মহাদেব কাংখূৎ-বি অমদি নোংদোল লৈমা কাংখূৎ নায়াপটন লম্বা তৌনরগনি।

নুপী কাংখূৎকী সেমীফাইনেল মেটচ ফেব্রুৱারী ১৮দগী শান্নবা হৌরগনি। কাংখূৎ অসিগী ওইনা রাধাগোবিন্দ কাংখূৎ অমদি নোংদোল লৈমা কাংখূৎ সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

থা অসিগী ৬তগী হৌদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা নুপাগী কাংখূৎ ৮ অদুগা নুপীগী কাংখূৎ ৫ পূন্না টিম ১৩না শরুক য়ারি।

### য়াইস্কুল দে এন্দ নাইট ফুটবোল

## দিপককী হেটট্রিকনা আর ৱাই ও চাওনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ২৮(ঐচএনএস): দিপকনা চনখিবা গোল ৩ অদুগা মালেমঙানবা অমদি দিনেশনা শান্নবগী ১৪ অমদি ১৮দা চনখিবা গোল অমমম্গী মতেংনা আর ৱাই ওনা জৌ মেকর এফ সী মোইরাংখোমবু লাকচনা ৫-১দা চথরিবা য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইবা অহানবা লাইময়ুম তোম্বী মেমোরিএল ৪-এসাইদ ওপন দে এন্দ নাইট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি ব্রহ্মপুর লালজি লাকপা লৈকাইদা লৈবা বি এস সী গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

দিপককী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ৬শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী ৫শুবা গোল অদুনা শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা চনখি। মোইরাংখোম টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা আর্মষ্ট্রোংনা শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা আর ৱাই ওগী দিনেশ অমদি মালেমঙানববু শান্নবগী ৫ অমদি ১০শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা চপ মান্নবা গ্রুপকী অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাঙ্খৈ এফ সীনা গোল্ডন ফুটবোল একাদেমিবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাঙ্খৈ এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু রিক্কিনা শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা মায় পাকখিবা ৱাঙ্খৈ এফ সীগী ভিভেক অমদি জি এফ এগী নাওচা অমদি প্রিওজিৎ শান্নবগী ১০, ১৭ অমদি ২১ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।





অতোপ্পা গ্রুপ এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা নোকফদে এফ সীনা এস ও দি ওবু টাই ব্রেকতা ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। মখা তাবা টাই ব্রেকতা এস ও দি ওগী মায়কৈদগী য়োহেনবা অমদি সনাথোইনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা নোকফদে এফ সীগী মায়কৈদগী মেক্স, সিকন্দর অমদি মিল্টননা গোল ওন্থোক্তুনা ৩-২দা মায়থীবা পীখিবনি।

অপীবা মতমগী শান্নবদা রেফরিনা নোকফদে এফ সীগী লিওনার্ডো অমদি দিটা অদুগা এস ও দি ওগী য়োহেনববু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

## খো-খো রেফরি এগজাম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জানুৱারী২৮(ঐচএনএস): খো-খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা নেসনল রেফরি এগজাম অমা চহী অসিগী ফেব্রুৱারীগী ২শুবা চয়োলদা মণিপুরদা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম হিমটনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা, নেসনল রেফরি এগজাম অসিদা য়াওনিংবা ষ্টেটকী ক্বালিফাই ওইরবা রেফরিশিংনা অকুপ্পা মরোলগীদমক খো-খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী টেক্নিকেল চ্যেরমেনসু ওইরিবা মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী চ্যেরমেনগী ফমসু পুরিবা এম মোধুসুদোন অমদি এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম হিমটতা পাউ ফাওরক্তুনা খঙলবা য়ারগনি হায়রি।

## নাওরেম ইবোহল মঙাং লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল,জানুৱারী২৮(ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন অমদি ফুটবোল ভেটরান ৱেলফেয়র এসোসিএসন অনীগী মেম্বর ওইরম্বা থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকাইদগী নাওরেম ইবোহল মঙাংনা থা অসিগী ২২ নোংমাইজিং নুমিৎতা মশাগী ময়ূমদা লৈখিদববু এসোসিএসন অনী অসিগী মায়কৈদগী অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস সুর্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোক্লদুনা, ইবোহলনা হিংলিঙৈ এসোসিএসন অনী অসিগী থবক থৌরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্মী। মহাক্না লৈখিদবা অসি এসোসিএসনগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি।

এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী খূয়াদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা থৌনীজখিবগা লোয়নননা ইমুং-মনুংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## এম য়ুগী নুপী হেন্দবোল টিমনা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি হেন্দবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারি

ইম্ফাল,জানুৱারী ২৮(ঐচএনএস): মেঘলায়াগী য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদা ঙসিদগী হৌদুনা জন্যুৱারী ৩১ ফাওবা চথগদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হেন্দবোল নুপী টিমনা শরুক য়ারি।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী নুপাগী হেন্দবোল টিমবু ফেব্রুৱারী ৪দগী ৭ ফাওবা মেঘলায়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারগনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপী হেন্দবোল টিমদা শরুক য়ারিবী শান্নরোয়শিং অদুদি- শ্রীশ্রী গৌরগোবিন্দ গর্লস কোলেজগী ঐচ অবেসনা (গোলকিপর), টি ঐচ অঞ্জুবালা, টি ঐচ জেনিলা, কে ঐচ সুজাতা, টি ঐচ কবিতা; য়াইরিপোক য়ুনিভর্সেল কোলেজগী এল আশালাতা (গোলকিপর), এল উমাপতি; বিরমঙ্গোল কোলেজগী ৱাই মোনিকা, আই রোনিবালা, কে সোনিয়া, কে ঐচ মেলোদা, টি ঐচ সন্ধ্যরানী চনু; প্রভাবতি কোলেজগী সী ঐচ ইনুংঙানবী চনু, আই সোনালিকা, এ বেবে অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ঐচ কৃষ্ণকুমারীনি।

রিজর্ভ ওইনা এম য়ুগী আই মোনিকা অমদি গৌরগোবিন্দ গর্লস কোলেজগী সী ঐচ প্রেমলাতানা শরুক য়ারি।

অমরোমদা, নুপা হেন্দবোল টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুদি- বিরমঙ্গোল কোলেজগী এন রোনক (গোলকিপর), সিলহৈবা থোকচোম, এন অবোই মীতৈ, এরিশ; প্রভাবতি কোলেজগী আই রোশন মৈতৈ (গোলকিপর), এস ঐচ মণিকান্ত (গোলকিপর), এ তোন্দোনবা, টি ঐচ য়াইফবা, এল সন্তোশ মৈতৈ; ময়াই লম্বী কোলেজগী এন শিতলজিৎ, আই অতোম্বা, জয়চন্দ্র হৈস্নাম; মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিতোম্বা, এন দয়ানন্দ; কামাক্ষ্য পেমটোন কোলেজগী পেন্না লাঙ্গোঞ্জম অমদি ইম্ফাল কোলেজগী মোচা কে ঐচনি।

রিজর্ভ প্লেয়র ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এন সুশিলকুমার, বিরমঙ্গোল কোলেজগী জস্পিন্দর য়েংখেম অমদি ময়াই লম্বী কোলেজগী টি ঐচ প্রেমকুমারনি।

শান্নরোয়শিং অসি থা অসিগী ১০দা পাঙথোকখিবা ট্রায়ল সেলেক্সনদা খনগৎতুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি হেন্দবোল টিম রিপ্রজেন্ট তৌবনি।

## ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন : এরিনা সবালেনকানা ইলেনা রিবাকিনাবু মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা গ্রান্দ স্লম টাইটল লৌখ্রে



ন্যু দেল্লী,জানুৱারী২৮(এজেন্সী): এরিনা সবালেনকানা মনিংলোমদগী তানখৎলক্তুনা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন ইলেনা রিবাকিনাবু ঙসি রোদ লেভর এরেনাদা শান্নখিবা অষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ৱিমেন্স সিঙ্গলসতা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা গ্রান্দ স্লম টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২৪ শুরবী এরিনানা কজাককী ২২ শুবা সিদেদ রিবাকিনাবু য়াম্না থ্রিলিং ওইবা ফাইনেল মেটচতা ৪-৬, ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি। সবালেনকা অমদি রিবাকিনা অনীনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসি পুং ২.৩০ চঙনা শান্নখি।

মায় পাকখিবা বেলারসকী এরিনানা চহী অসিদা ১১ রক ষ্ট্রেটতা মায় পাকপা ঙমখিবগা লোয়নননা ইগা স্বাইটেককী হেক মথং রেঙ্কিং নম্বর ২দা লৈরগনি।

মোস্কোনা য়ুক্রেনদা লান্দাবনা মরম ওইরগা রসিয়ন অমদি বেলারুসিয়ন শান্নরোয়শিংনা নেসনল এফিলিএসন য়াওদনা ইন্দিভিজ্যুএল এথলিট ওইনা মেলবোর্ন পার্কতা কম্পিট তৌরকখিবনি। সবালেনকাগী ঙসিগী মায় পাকপা অসিনা মেজর টুর্নামেন্টতা ন্যুট্রেল এথলিটনা মায় পাকপা ঙম্বা অহানবা শান্নরোয় ওইবা ঙমখ্রে।

হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ বিলি জিন কিংদগী ট্রোফি ফংলবা মতুং সবালেনকানা ফোঙদোকখিবদা, অঙকপা এটমোস্ফ্যের অসিবু থাগৎলি অমদি টুর অসি মহাক্কী টিমগী ওইনা অঙকপা অমনি। হৌখিবা চহীদা ঐখোয়না কন্না হোৎনখি হায়খি।

ঐনা থাজৈ মথংগী চহীদা অমুক হল্লক্তুনা অমদি হেন্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীখিগনি। মীয়াম্মসু মহাকপু মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তাখি।

### ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফি

## সেমীফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী২৮(ঐচএনএস): ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসনননা শীন্দুনা ইরেংবন্দ হায় স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফি ৯-এসাইদ ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং ইরাই নুমিৎতা লোইশিনখিবগা লোয়নননা টিম ৪না সেমীফাইনেলগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

দি এম এফ সী মোরেনা ৱাংজিং এফ সীগা থা অসিগী ৩০গী নুংথিল পুং ২দা অহানবা সেমীফাইনেলদা থেংনরগনি অদুগা এম ৱাই দি এ মাইরেন খুল অমদি হৈরোক য়ুনাইটেদ অনীনা থা অসিগী ৩১গী নুংথিল পুং ২দা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ইরেংবন্দ হায় স্কুল গ্রাউন্দদা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা হৈরোক য়ুনাইটেদনা এফ সী তেন্থাবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখি।

হৈরোক য়ুনাইটেদকী শিতলনা শান্নবা হৌরকপগী অহানবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা সঙ্করনা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা তেন্থাগী ইক্বেলাইজ গোল চনখি।

টিম অনীনা স্কোর ১-১ লৈরবা মতুং রোমিনা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা হৈরোক য়ুনাইটেদকী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা হৈরোক্কী ননাও অমদি তেন্থাগী গোল চনখিবা সঙ্কর শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা রেদ কার্দ অমমম্ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। রেফরিনা হৈরোক্কী চিঙ্খৈসু য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

## এফ এ কপ : মেঞ্চেষ্টর সিটিনা অর্সনেল থোইদুনা ৫শুবা রাউন্দ চঙখ্রে





মেঞ্চেষ্টর,জানুৱারী২৮(এজেন্সী): মেঞ্চেষ্টর সিটিগী দিফেন্দর নাথন অকেনা অনীশুবা হাফতা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা অর্সনেলবু ১-০দা চথরিবা এফ এ কপকী ৪শুবা রাউন্দগী ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীদুনা রাউন্দ ৫ চঙবা ঙমখ্রে।


প্রেমিয়র লীগকী তোপ টিম অনী অসিনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদনা অরেম্বা তাখি।

সিটিগী অর্লিং হালান্দগী গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ২ অর্সনেলগী গোলকিপর ষ্টেফেন ওর্টেগানা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখিবগা লোয়নননা গোল অমত্তা চন্নদনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা সিটিগী কোচ পেপ গোর্দিওলানা গোল চন্নবা মহাক্কী ষ্ট্রেটেজি অমদা অর্জেন্টিনাগী ষ্ট্রাইকর জুলিয়ন অলভারেজপু থাজিনখি। সবষ্টিট্যুট চঙলকখিবা অলভারেজনা অর্সনেলগী গোল তম্না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা পোষ্টতা পান্দুনা হন্দোরকখি। অকেনা থক্তোরকপা বোল অদু অমুক হন্না কাওশিন্দুনা অর্সনেলগী নেট শোক্তুনা শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী মরুওইবা গোল চনবা ঙমখি।

মখা তাবা টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী মেঞ্চেষ্টর সিটিনা অর্সনেলবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা এফ এ কপকী ৫শুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 700

**FM Antonio Lopez Del Alamo (2275) - FM Yakov Ginzburg (2405)**
**Titled Tue 3rd Jan Early chess.com INT (1), 2023.01.03**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 e6 | 3.d3 d5 | 4.Nbd2 Nc6 |
| 5.g3 Nf6 | 6.Bg2 Be7 | 7.O-O b6 | 8.Re1 Bb7 |
| 9.e5 Nd7 | 10.h4 Qc7 | 11.Qe2 g6 | 12.c3 d4 |
| 13.c4 h6 | 14.Nf1 g5 | 15.hxg5 hxg5 | 16.N1h2 |
| O-O-O | 17.Ng4 Rdg8 | 18.a3 Ba8 | 19.b4 Qb7 |
| 20.Bd2 Ncxe5 | 21.Ngxe5... | | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 699 Ans. :**

25. ...Qg2+ Opening the line from d6 to h2.
Your moves:25...Ng4+
Your moves:25...Bxh1
Your moves:25...Nf3+
26. Nxg2 Blocking square g2. Nf3# Double check mate Double check
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com